**File Copy from Poknapham**
**IMPHAL, 21st July 2012**

# এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে, হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ঃ ভারত সরকারগী মিনিস্ত্রি ওব এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ফোরেস্ত অমসুং মণিপুর সরকারগী এনবাইরোনমেন্ত এন্দ ইকোলোজি ৱিংগী শেন্থং মখাদা হ্যুমেন রিসোর্ছ দিবেলপমেন্ত সেন্তর, ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পনিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস কেম্পেন অমা ঙসি আইদিএল গার্লস কলেজ, অকাম্পাত্তা পাঙথোকখ্রে।

বাল বিদ্যা মন্দির হায়র সেকেন্দরি স্কুল, কোংপালগী প্রিন্সিপাল, কে প্রমোদো সিংহনা চীফ গেস্ত; আইদিএল গার্লস কলেজ, অকাম্পাৎকী প্রিন্সিপাল, দাঃ এন অশালাতা দেবীনা সভানেত্রী অমসুং এ এম আর পি এস দব্লিউ এগী এক্স-প্রসিদেন্ত, শ্যাম খাবা ঙানবা অমসুং ওল মণিপুর স্তুদেন্তস গার্জিয়ান্স ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর, কেএসএচ বুধচন্দ্রনা গেস্ত ওব ওনর ওইখিবা থৌরম অদুদা আইদিএল গার্লস কলেজগী হান্নগী লেকচরর, অঞ্জেলা হাউবম; সেন্ত এন্থোনি হায় স্কুলগী এসিস্তেন্ত হেদ মাস্তর, এস দেবানন্দ সিংহ অমসুং এনবাইরোনমেন্তেলিস্ত, খাঙেম্বম শমুঙৌ সিংহনা বাইও-দাইভর্সিতি কঞ্জার্বেসনগী মতাঙদা ৱা ঙাঙখি।

কেম্পেন অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং উ চারশিং থাগনি হায়রি।

অমরোমদা, এন আই এন (নেসনেল ইনস্তিত্যুত ওব নেচরোপেথি), পুনেগী থৌশীল মখাদা স্তেন্দার্দ ইংলিস স্কুল, কোংপালনা শীন্দুনা নেচর ক্যুর অমসুং যোগগী মতাঙদা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথগদবা এৱার্নেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী স্তেন্দার্দ ইংলিস স্কুল, পোরোম্পাৎকী হোলদা হৌখ্রে।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসিদা নেচর ক্যুর অমসুং যোগগী মরমদা থোইদোক্লা খঙ হৈরবশিংনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা তাকপী তম্বীগনি হায়রি।

© Disclaimer: All efforts have been made to make the information as accurate as possible.